# জিরিবামদা পাক্তক্লনা ঈশিং থুমজিনখ্রে

## মীওই ৫/৬ ঈশিংনা চেহ্ন্নখিবদগী থিবা খঙদ্রি, য়ুম ৪০ রোম চেহ্ন্নখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ* হৌখিবা নোংম-নিনি অসিদা তুরেল মরূদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ইম্ফালগী মরুওইবা তুরেলশিং ঈশিংগী ঈমাই হায়গৎলক্তুনা দেঞ্জর লেভেল য়ৌরম্বদু ঙসিদি অয়াম্বা ঈমাই নেমথখ্রে। অদুম ওইনমক জিরিবামদদি জিরি তুরেলগী ঈমাই ঙরাং অহিং খঙৱাং ৱাংখৎলক্তুনা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। মীওই ৫/৬ ঈশিংনা চেহ্ন্নখিবদগী থিবা খঙদ্রি। ঈচাওনা মরম ওইরগা টিদিসিগী পরিক্ষা থানখিদ্রে হায়না জিরিবামদা লৈবা ঐখোয়গী পাউমীনা পীরকপা পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবনা,জিরি তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলকখিবদুনা মরম ওইরগা জিরিবাম কালিনগর, বাবুপাড়া, দিবোং, সনাখোং, ইস্লামাবাদ, চম্প্রানগর, নিংথেম্বম, পৎচাও, লানপাৎ, লক্ষিমপুর, কমরঙ্গ অমসুং হিল গার্দনচিংবা মফম কয়াদ ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী মীওই ময়ুম-মকৈ লৈফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরে। মপুং ওইনা ঙসি অঙনবা পুং ৪ রোম তাবদগী নুংথিল পুং ২ ফাওবদা জিরি তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা মদুদগী পাথোরকপা ঈশিংগী ঈমাই অদু মিটর ৪ রোম ৱাংখৎলক্তুনা য়ুম কয়া অমাং-অতা থোকপদা নত্তনা লৌফম কয়াসু থুমজিনখ্রে।

জিরিগী মফম কয়া ঈচাওনা থুমজিনবদগী রিলিফ কেম্পশিং পাক্তক্লনা হাংদোক্লরে। কমরঙ্গগী মুসলিম খুল খোইচোয়থুপ্তা লৈবা য়ুম ৪০ রোম জিরি তুরেলনা লোয়না চেহ্ন্নখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্দা ঈচাওনা মীওই অহুম চেহ্ন্নখিবদগী থিবা খঙদ্রে হায়বগী রিপোর্ট তৌরকখ্রে। পুলিসনসু রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না পাক শন্না থিবা হৗব্বগী থবক চত্থরি। অদুম ওইনমক প্রেসনা ফংবা সোর্সতদি ঈচাওনা মীওই ৫/৬ রোম চেহ্ন্নখিবদগী থিবা খঙদ্রি। জিরিবামগী এফসিআই ওফিসসু ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। সরকারগী ওফিস, স্কুল কয়াসু ঈশিংনা থুমজিনখ্রে।

অমরোমদা ঙসি জিরি কলেজদা টিদিসি একজাম থাবা লাকপা মহৈরোইশিং লম্বী ঈশিং থুমজিনখিবগী পরিক্ষা থানখিদ্রে। মরক অসিদা কালিনগরদা লৈবা লৌরিয়াম জিতেন (৩৬) অপোকপা রাজেন কৌবা অমা জিরি তুরেলদা ইরাক্লবদগী মহাক্কী ময়াম্বগী মচা জিরি পুলিসতা ভিদিএফ ওইবা এল সুনিল (২৭) অপোকপা সুরেন্দ্রকুমারনা চোংথদুনা কল্লম্লগা সুনিল মশানা জিরি তুরেলদা চেহ্ন্নখিবদগী মফম খঙখিদ্রে।

কমরঙ্গদা লৈবা জিরিঘাট গভর্নমেন্ট জুনিয়ার হায়স্কুলদা লৈশেম ক্লম, কমরঙ্গ অমসুং কমরঙ্গ মুসলিম য়ুথ ক্লবনা পুন্না খুৎশম্নদুনা রিলিফ কেম্প হাংদোকখ্রে। কেম্প অসিদা য়ুম্নাক ১১৪গী মীওই ১৩০০ রোম চংজফম লৌদুনা লৈরি। কালিনগর ৱার্দ ৯ অমসুং ইস্লামাবাদ এলপি স্কুলদা রিলিফ কেম্পশিং হাংদুনা লৈনরি। নেসনেল হায়ৱে ৫৩ ত্রক ওর্নর এসোসিয়েসন্না এফসিএস দিপার্টমেন্ট তমেংলোংগা খুৎশম্নদুনা জিরিবামদা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়ামদা চেং লেম্না য়েহ্নোকখ্রে। মখা তানা অনা-লায়েংগী হিদাক -লাংথকশিংসু মতেং পাংগনি হায়খি।

নেসনেল হায়ৱে ৫৩ ত্রক ওর্নর এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগীসু হৌজিক জিরিবাম কম্যুনিটি হেলঠ সেন্টরদা জিরি তুরেলদা ঈরাক্ল বদগী লায়কন্নরিবা লৌরিয়াম জিতেন্দা লুপা লিশিং ৩গী মতেং পাংখ্রে। গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীদি রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিং অমদি ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা প্রজাশিংদা মতেং পাংবগী পাউ লৈত্রি। এদিসি জিরিবাম ৱাই ইবোয়াইমা সিংহনা ফোঙদোরকপদা জিরিবামগী করম করম্বা মফমশিং ঈশিং-ঈচাওনা শোকহল্লে হায়বদু খঙদোক্লবা কন্না সর্ভে তৌরি। অথুবদা সরকারদা রিপোর্ট অমা থাগৎতুনা মীয়াম্না মতেং পাংগনি। হৌজিকসু মখা তানা জিরিবামদা নোং লেপ্তুনা চুবনা ঈশিংগী ঈমাইসু লেপ্তুনা হেনগৎলক্রি।অমরোমদনা ঙরাং অহিং অথেংবা ফাওবদা ইম্ফালদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলম্বদু ঙসি অয়ুক্তদগীদি হন্থখ্রে। ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা কংলাগী অৱাং থংবা গেটকী মমাং ওইরপ্না ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা পাথরকপদগী জৌমিভিলাগী মফম খরা ঈশিং হায়জিনখি। অদুবু পাক্তক্লনা ঈচাও থোকপা হায়বদুদি তৌখিদে। হান্নদগী ফিভম শোক্তুনা লৈরিবা ইম্ফাল তুরেল তোর্ব্বান্দা খাবা ৱালদি ঈশিংনা চেহ্নবদগী তুখ্রে।

মরকসিদা আইএফসিদিগী মিনিষ্টর ঙমথং হাওকিপনা ওফিসিয়েলগা লোয়ননা হান্নদগী হৌনা ঈশিং পাথোক্কনবা অমদি তোর্ব্বান কায়গনবা ইম্ফাল তুরেল অমসুং নম্বুল তুরেলগী জগাশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎতুদা সঞ্জেঙ্থোং ভিআইপি কোলোনি, দিমদাইলোং, কেআর লেন্দ য়াওনা ইম্ফাল তুরেলগী জগাশিং য়েংশিনখি। নম্বুল তুরেলগী ওইনা ৱাহেং লৈকাই পরিং অমসুং শগোলবন্দগী তোর্ব্বানলোম থংবা শরুকশিং য়েংশিনখি।

খোঙচৎতুগা মরী লৈননা আইএফসিদিগী চিফ ইঞ্জিনিয়ার ইন্দ্রমনিনা ফোঙদোকখিবদা ইথাই বেরেজগী গেট অহুম্মক ঙসি অয়ুক হাংদোকখ্রে। মসিনা হান্না তুরেলগী ঈশিং মৌখৎলম্বশিং অদু তপ্না তপ্না হন্থবা হৌরে। য়াম্না থুনা ঈশিংগী ঈমাই হন্থখ্রগনি। মরকসিদা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু ঈচাও মায়োক্লনবা দরকার লৈবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌরে। কন্ট্রোল রুম হাংদুনা পুং ২৪ মোনিটর তৌবগী থবক চত্থরি হায়খি।

অমরোমদনা ঈচাওগা মরী লৈননা ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনবা আইএফসিদি কন্ট্রোল রুমগী নম্বর ০৩৮৫-২৪৫১৫৫০ দা কন্টেক্ট তৌবা য়াগনি হায়রি।